# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-07-2024)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** শ্রী লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা হয়েং ৱাশক লৌরগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা অয়ুক পুং ৯ মখায়দা পাঙথোক্কনি। শ্রী লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়া হান্না সিক্কিমগী রাজ্য ওইনা থবক পুরম্মী। মহাকা অসামগী রাজ্যপাল ওইবগা লোয়ননা মনিপুরগী রাজ্যপালগী ফমসু পুগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নরানসেনাগী লৌবুক অমদা চংশিল্লকখিবা কুকি মচা অমা সেক্যুরিতি ফোর্সেনা কনখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-থৌদোক অসি থা অসিগী ২৮ দা থোকখিবনি। মহাক নরানসেনাগী লৌবুক অমদা চংশিল্লকপদগী মশক খঙদবশিংনা ফাদুনা পুখিবনি। অদুবু সেক্যুরিতি পুলিসনা রেস্ক্যু তৌবগা লোয়ননা হৌজিক তেক্ত কায়দনা লৈরি। মহাক্কী অকুপ্পা মরোল খঙদোকপা ঙমলে অমদি মরি লৈনবা মীওইশিংদা শিন্নবগীদমক থবক লৌখৎলে।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.ডি) গী কাদর অনি অমদি আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কেদর অনি ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে। মখোয় ইম্ফাল মনুংগী তোঙান তোঙানবা মহৈ তম্ফমশঙশিং অমদি করবারৱালাশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-থৌবাল জিলাগী পেচি চিংলক্তগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং চথখিবা থিবা হুম্বদা হায়রিবা মফম অসিদগী ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, এস.এল.আর

মেগজিন অমা, ফোরতি এম.এম. লেথোদ সেল অমা, দিটোনেটর অমা, স্মোগ সেল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৬, ঐচ.দি. কারট্রিজ তরেৎনচিংবা য়াওরি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মালেমদা হোংলক্লিবা অইং-আশাগী খল অসিগা চান্নবা মখলগী মহৈ-মরোং থাবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং চান্দেল জিলাগী ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) না শিনদুনা কে.ভি.কেগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কে.ভি.কে. চান্দেলগী হেদসু ওইরিবা সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট-ডা: এ. অমিতা দেবীনা ঙানু অমদি হামেংগী ফার্ম তৌবনা শেন্থোক লম্বী চাউনা লৈহনদুনা হিংবা ঙম্বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। জিলা অসিদা লৌউ শিংউগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকবগীদমক ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাকা হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমী ২৫ রোমদা লৌউ শিংউদা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা ৱাটর পম্প, হেন্দ টুল, ঙানু মচা, হমেং অমদি মচিঞ্জাকশিং লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** লিবরটি ঠিয়েটর ককচিংনা শিনদুনা থা অসিগী ২৬ তগী লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেস সেন্টর ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা চথরকপা সম্মর ফেস-২০২৪, নেসনেল লেবেল সম্মর ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল ঙরাং লোয়শিনখ্রে। কলচর মন্ত্রালয়গী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা পাঙথোকখিবা জাতি থাক্কী ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল অসিদা মুম্বাই অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলদগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা ঠিয়েটর গ্রুপ মরিনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কংলৈ মাইম ঠিয়েটর ইম্ফালগী প্লে 'চৈথেং' উৎখি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনদুনা

শান্তি পুরকবা অমদি লাঞ্জেন্নরিবশিংগী রিহেবিলিটেসন পেকেজ পীবিনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙরাং রাজ্য সভাদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্কী ৱারোলদা এম.পিনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমদি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎলদুনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক তপা তপা শান্তি হনজিল্লক্কুনা অথুবা মতমদা হান্নগী ফিভমদা হনজিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসি লুচিংবশিং অসিগী মীৎয়েং শান্না য়েংবা অমদি চোকথবা নাইদবা খোঙথাং কয়া অদুনা ওইহল্লকপনি। চৈরক অসিদা, কেন্দ্র সরকারনা অমুক হেন্না কন্না হোৎনবীদুনা শান্তি পুরকপগী লম্বী অমদি লাঞ্জেন্নরিবশিংবু খুন্দা লৈতাহনবগী থবক্তা হেন্না খুমাং চাউশিনগনি। মনিপুরগী মীওইশিং ৱাবা য়াবা ৱারে। অৱাবা অসি কোকহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা চান্নবা রিহেবিলিটেসন পেকেজ, তুং কোইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা অমদি অতৈ লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা লৌখৎপীনবা শ্রী সনাজাউবনা আপিল তৌখি।

**কমিতিঃ** ন্যু দিল্লিগী ওল্ড রাজিন্দর নাগরদা লৈবা কোচিং সেন্টর অমদা য়ু.পি.এস.সিগী পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোই অহুম লৈখিদবা অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না কমিতি অমা শেমখ্রে।

কমিতি অসিনা মখোয়না লৈখিদবগী মরম থিজিন্নবা, থৌদোক অদুদা মরাল লৈবশিং খঙদোকবা, তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-কমিতি অসিদা অবার্ন এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী এদিসনেল সেক্রেটরি, দিল্লি সরকারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম), দিল্লি পুলিসকী স্পিসিএল কম্মিসনার ওফ পুলিস, ফয়ার এদভাইজর অমদি অতৈ ওফিসিএলশিং য়াওরি। মখোয়গী রিপোর্ট নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা পীখৎকনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-মনিপুরগী ইরাংসিগী মপুং ওইবা হৌরকফমদি, দ্রগ অমসুং আইন কায়না চংল্লকপশিং থিংলুবসিনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইনাফি শাবী ত্রিপুরাগী দিবিয়াং নেসনেল হেন্দলুম এৱার্ডকী খল্লক্লে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-ইরাং অসিনা ঐবু খ্বাইদগী নীংবা কায়বা সি.এম. ওইহল্লে, ইরাং লোয়শিন্নবা গুৱাহাতিদা কুকি এম.এল.এশিং উন্ননবা হোৎনখি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-জল জিবন মীসন স্কাম, অরানবা দাটাশিং পুথোরক্লে হায়বগী পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নেসনেল ভাইরেল হেপাটাইটিজ কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিগী কান্নবা মীয়ামনা লৌবিয়ু হায়বা হেলথ মিনিস্তর-ডা: সাপম রঞ্জনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-সেক্যুরিতি ফোর্সনা কোওর্দিনেসন লৈনা অমদি মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরবা খক্তদা শান্তি হনজিল্লক্কনি, মীতোপ খন্দোকপগী ইশু থেংথরল্লবদি মনিপুরগী ফিভম করি ওইগদগে তন্বা ঙমদে হায়বা মখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-টৌটি পাইপশিং শন্বা অমসুং ঈশিং ফংহনবা য়ুমথোঙগী মশিংদা মনিপুর লৈঙাকা চাউনা নমথাক তৌরল্লে, মনিপুরদা জল জিবন মীসনগীদমক লুপা কোতি ১,০৯০ সেঙ্কসন তৌরক্লগা কুমজা ২০১৯ দগী চাদা ৮০ য়ুমথোংদা পাইপকী ঈশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎলকখিবনি হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-জেলিয়াংরোং বোদিনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী রি-ওর্গনাইজেসন তৌবীনবা দিমান্দ তৌরি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা মনিপুরগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকবা অমদি রি-হেবিলিটেসন পেকেজ পীবিনবা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-এন.এস.সি.এন (আই.এম) না আইমোল, চিরু, কোম, কোইরেং, খরম অমদি পুরুম ত্রাইবপু নাগানি হায়না অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ককচিং, থৌবাল, জিরিবাম অমদি অতৈ মফমশিংদা মহৈরোইশিংনা শেলগী দিমান্দগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী ইরাং হেক থোরকপদগী অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিস্তর মোদিগা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তরগা উন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।